# অফ্রিকান স্বাইন ফিভরনা মরম ওইরগা শিহল্লম্বা য়াই চিংনবা লমওক অহুমগী অশিবা মশা ফংলে



অগরটালা, জুলাই ২১ (এজেন্সি): মিজোরামগী মনুং চনবা মফম অমদা অফ্রিকান স্বাইন ফিভরনা মরম ওইরগা শিহনখিবা ওইরম্বা য়াই হায়না চিংনবা লমওক অহুমগী অশিবা মশা উমং অমগী মনাক্তা লৈরম্বা থেংনরে হায়না এনিমেল হজবেন্দ্রি এন্দ ভেটিরিনরি দিপার্টমেন্টকী মকোক থোংবা ওফিসল অমনা ফোঙদোরক্লি।

ওফিসল অসিনা ফোঙদোকখিবগী মতুংইন্না মিজোরামগী চম্ফাই দিষ্ট্রিক্টকী মনুং চনবা ম্যান্মারগী ঙমখৈ মনাক্তা লৈবা লৈসেঞ্জো ভিলেজদা লমওক অহুমগী অশিবা হকচাং অদু থেংনখিবনি। ভিলেজ অসিদগী কিলোমিটর ৬ লোম চৎলগা লৈবা উমং অমগী মনাক্তা খুঞ্জাশিংনা লমওক অশিবশিং অদু থেংনখ্রবা মতুং মরী লৈনবা দিপার্টমেন্টতা পাউ পীরকপদগী খুদক্তা মফম অদুদা চত্তুনা য়েংশিনখি। এনিমেল হজবেন্দরি এন্দ ভেটিরিনরি দিপার্টমেন্ট অমসুং ফোরেষ্টকী ওফিসলশিং য়াওনা মফম অদুদা চঙশিল্লগা পথ্র পুমথবা হৌরক্লবা মশাশিং অদু চেক তৌখ্রে।

লমওকশিং অদু মতৌ করম্না শিরল্লিবনো হায়বা হৌজিক ফাওবগী ওইনদি চপ চানা খঙবা ঙমদ্রি। অদুবু অফ্রিকান স্বাই ফিভরনা মরম ওইরগা লমওকশিং অদু শিহল্লম্বা য়াই হায়না য়াম্না কন্না চিংনরি। মতৌ করম্না লমওকশিং অদু শিরল্লিবনো হায়বগী মতাংদা চপ চাবা খঙনবা অশিবা লমওকশিং অদুগী সেম্পল লৌদুনা ভোপালদা থাখ্রে। রিজল্ট লাক্লবা মতুং মতৌ করম্না শিখিবনো হায়বগী মতাংদা চপ চানা খঙবা ঙম্লগনি হায়রি।

থা অসিগী হৌগৎলকপদা সমথাঙা এরিয়াদসু লমওক অমা শিনা থেংনখিবা লৈখ্রে। হায়রিবা কেস অদুগী ওইনদি অফ্রিকান স্বাইন ফিভরনা শিহনবনি হায়বা কনফার্ম তৌখ্রে। মিজোরামদা হৌখিবা থা খরা অসিদা য়াম্না লৌনগনবা অফ্রিকান স্বাইন ফিভরনা ওক কয়াদা ইনফেক্ট তৌহনবা হৌখ্রে। চহী অসিগী ফেব্রুৱারী থাদগী হৌরগা হৌজিক ফাওবগী ওইনা অফ্রিকান স্বাইন ফিভরনা শিহনখিবা ওক মশিং ৮,৫৩৯ শুখ্রে। মমাং চহীদসু লায়না লায়চৎ অসিনা মরম ওইরগা ষ্টেট অসিদা পুন্না ওক ৩৩,৪১৭ শিহনখি হায়রি।





দিপার্টমেন্ট ওফ কন্মর্স মণিপুর য়ুনিভর্সিটিগী সেমিনার হোলদা দিরাইভেটিব মার্কেটকী মতাংদা পাঙথোকখিবা ট্রেনিং প্রোগ্রাম হৌদোকপগী থৌরম

# পুলিসনা ফাজিন্দুনা থল্লকখিবী বরশাশ্রি বুরাগোহেন বেলদা থাদোকখ্রে





গুৱাহাটি, জুলাই ২১ (এজেন্সি): চহী অসিগী মে ১৮ দা অসাম পুলিসনা লোনা অথিংবা থমখ্রবা অলফা-আইবু পুক্লিং থৌগৎপা শৈরেং ঈখি হায়বগী মরালদা ফাজিন্দুনা থল্লকখিবী মশাগী চহী ১৯ রোম শুরবী বরশাশ্রি বুরাগোহেন গৌহাটি হায় কোর্টনা বেল পীখ্রে হায়রি।

মে ১৮ দগী জুদিসিয়ল কষ্টদিদা লৈরকখিবী বরশাশ্রিনা এন্টি নেসনল ওইবা শৈরেং অমা ইখি অমদি মহাক্কী শৈরেং অদুনা লোনা অথিংবা থমখ্রবা অলফা-আইবু পুক্লিং থৌগৎলি হায়বগা মরালদা ফাখিবনি। মহাক ফাবা মতমদা পুলিসকী মায়কৈদগী চপ চাবা মরম অমা পীবা ঙমখিদে। অদুবু মহাক্কী শৈরেং অদুনা মরম ওইরগা মহাকপু ফাখিবনি হায়না পুলিসনা ফোঙদোকখিবা লৈখ্রে।

অমরোমদা মহাকপু ফাজিনখিবা অদুনা মরম ওইরগা ষ্টেট অসিগী মফম কয়াদা মহাকপু কন্দিসন অমত্তা য়াওদনা থাদোরক্লবা খোঙজং কয়া চঙশিনবা লৈখ্রে। মহাক্না ইরিবা শৈরেং অদুনা আলফা-আই পুক্লিং থৌগৎলি হায়বা য়ারোই। শৈরেং হায়বসি শৈরেংনি। অইবা অদুনা মহাক্কী ৱাখল পুক্লিংদা ফাওরকপা অদু শৈথাদুনা ইবখক্তনি হায়না মায়কৈ কয়াদগী ফোঙদোক্লরকখি। থা অসিগী অঙনবা শরুক্তসু লোকল কোর্ট অমনা বরশাশ্রিবু সেমিষ্টর এগজাম থাবদা অয়াবা পীখিবনি।

বরশাশ্রি বেলদা থাদোকখ্রবা মতুং পুলিসনা ফোঙদোকখিবদা, মরালগী মতুংইন্না মহাক ফাখিবনি। লৈবাক অমগী নৎত্রগা ষ্টেটকী মায়োক্তা ফোঙনা শিংনবগী থৌওং চত্থরকপা হায়সি লোগী ৱাংমদনি। বরশাশ্রিনা ইখিবা শৈরেং অদু এন্টি নেসনল ওই অমদি মদুনা লালহৌলূপ অমবু অতম্লনা পুক্লিং থৌগৎলি হায়রি।

# মীওই ১৬,০০০ হেন্না লৈফম লৈতবগী অৱাবা মায়োক্লরি

গুৱাহাটি, জুলাই ২১ (এজেন্সি): অসামদা হন্দক্তা থোকখিবা ঈচাওনা মীওই লাক্ষ কয়া অৱাফমদা তাহনখিবা অমদি য়ুম কয়া অমাঙ অতা থোকহনখ্রবা মতুং নোং চুবা লেপখিবদগী ষ্টেট অসিগী ফিভম হান্নগী পুন্সি মহিংদা হঞ্জিল্লকপা হৌরে হায়না মরী লৈনবশিংগী মায়কৈদগী ফোঙদোরক্লবসু মীওই ১৬,০০০ হেন্না লৈফম লৈতবগী অৱাবা মায়োক্লরি হায়না রিপোর্টশিংনা হায়রি।

রিপোর্টশিংগী মতুংইন্না অসামদা হন্দক থোকখিবা ঈচাওনা মরম ওইরগা লুপা ক্রোর কয়াগী মাল চাং মাঙহন তাকহনখিবগা লোয়ননা হৌজিক ফাওবগী ওইনা ঈচাও অমদি লেন্দ স্লাইদনা মরম ওইরগা মীওই ১৯৭ শিহনখ্রে। লৈঙাক্কী মায়কৈদগী ঈচাওনা অমাঙ অতা থোকহনখ্রবা মফমশিং শেমজিন শাজিনবগী থবক অকনবা মওংদা চত্থবা হৌখ্রে।

হন্দক থোকখিবা ঈচাও অদুনা ষ্টেট অসিগী দিষ্ট্রিক্ট অয়াম্বা মপুঙ ফানা শোকহনখিবনা মরম ওইরগা মরুওইবা লম্বী কয়াসু ফাওনবা ঙমদনা লৈরি। মরুওইবা নেসনল হায়ৱেশিংদা অহেনবা মীৎয়েং চঙদুনা শেম শাবগী থবক চত্থবা হৌখ্রবসু মনুং হঞ্জিনবা মফমদা লৈবা খুঙ্গংশিংগী ওইনদি খুদোংচাদবা খরা অদুম্মক হৌজিকসু মায়োক্লরি। চাওরাক্লা খুঙ্গং ৫০ হেন্না হৌজিকসু ঈচাওগী চৈথেং ফংলি হায়রি।

দিষ্ট্রিক্ট এদমিনিষ্ট্রেসনশিংনা ফোঙদোকখিবগী মতুংইন্না মনুং হঞ্জিনবা মফমশিংদা লৈরিবা খুঙ্গংশিংদসু অহেনবা মীৎয়েং চঙদুনা থবক পায়খৎপা হৌরে। অথুবা মতমদা শেম শাবগী থবক লোইশিন্নবা হোৎনরি। অৱাবা তারিবা মীওইশিংগী ওইনসু পীবা য়াবা মতেং পীনবা হোৎনরি হায়রি।

# অসামদা ঙাপ্রুম হিংনা চারুবা নুপা অমা শিখ্রে

পাথসালা, জুলাই ২১ (এজেন্সি): অসামগী বজালি দিষ্ট্রিক্টকী মনুং চনবা পাথসালাদা মশাগী চহী ৩৭ রোম শুরবা নুপা অমা ঙাপ্রুম হিংনা চারুবদগী শিখ্রে হায়না পুলিসনা ফোঙদোরক্লি।

পুলিসকী রিপোর্ট মতুংইন্না, ঙাপ্রুম হিংনা চারুবদগী লৈখিদ্রবা মীওই অদুগী মমিং পঙ্কজ রোই কৌই। মহাক পাথসালা টাউনগী মনুং চনবা জ্যোটিনাগরদগীনি। রিপোর্টশিংগী মতুংইন্না পঙ্কজ রোইনা ময়াম মমাংদা পাঙথোকপা হে শিংবা উৎপগী থৌরম অমা ওইনা ঙাপ্রুম অদু হিংনা চাখিবনি। মদুদা ঙাপ্রুম অদু মহাক্কী খৌনাওগী শরুক্তা পন্দুনা লৈখিবদগী শ্বর হোনবা ঙল্লকখিদে। খুদক্তা ইমুং মনুংগী মীওইশিংনা মহাকপু মনাক নক্লা লৈবা হোস্পিটাল অমদা পুখত্তুনা লায়কন্ননবা হোৎনখি। অদুবু মহাক হোস্পিটাল য়ৌরবা মতুংদা দোক্তরশিংনা শিনা পুরক্লে হায়না লাউথোরকখিবনি হায়রি।

# মেছিননা টি ৱার্কর শোকহনখিবগী মতাংদা থিজিন্নবা খঙহনখ্রে

দিব্রুগর, জুলাই ২১ (এজেন্সি) : অপর অসামগী দিব্রুগরদা লৈবা লাপেতকতা টি ইষ্টেটতা শিন্মী ওইনা লৈবী টি ৱার্কর অমা থবক শুফমদা লৈবা মেছিন অমনা য়াম্না থিনা শোকহনখিবা অদুগী মতাংদা থিজিন্নবা দিষ্ট্রিক্ট এদমিনিষ্ট্রেসননা খঙহনখিবগা লোয়ননা ইনক্বারি চত্থবা হৌখ্রে হায়রি।

দিব্রুগরগী দিপ্যুটি কম্মিস্নর বিস্বজিৎ পেগুনা থৌদোক অসিগী মতাংদা অসাম টি ট্রাইব ষ্টুদেন্টস এসোসিএসন, অসাম চা মজদুর সঙ্ঘা অমদিটি গার্দেন মেনেজমন্টে কম্মিটিগী ওফিস বিয়ররশিংগা উনদুনা খন্নরবা মতুং থিজিনবগী থবক চত্থনবা মরী লৈনবশিংদা খঙহনখিবনি হায়রি।

হিরম অসিগা মরী লৈননা দি সী পেগুনা ফোঙদোকখিবদা লাপেতকতা টি ইষ্টেটতা থবক তৌবী নুপী অমা সী টি সী মেছিননা কা হেন্না শোকহনখিবনি। সী টি সী মেছিন থল্লিবা কা অদুদা টি ৱার্কর নুপী অদু শোয়বদগী চঙশিনখি। মহাক্না কা অদুদা চঙখিবগা ইকান কান্নদনা মেছিন অদুদা মহাক্কী ফি চপখি। ফি অদু লৌথোক্লবা হোৎনরিঙৈদা মেছিন অদুনা মশা অদু চিংশিনবা হৌরকখি। মদুদা মহাক্কী মশম অমদি উনশাগী শরুক অয়াম্বা মেছিন অদুনা শোকহনখি। খুদক্তা মহাক মনাক নক্লা লৈবা হোস্পিটাল অমদা পুখত্তুনা ট্রিটমেন্ট চথখি। মহাক্কী হকচাংগী ফিভম হৌজিক ষ্টেবল ওইরে অদুবু উনশাগী শরুক অয়াম্বা শোকখিবনা মরম ওইরগা ফগৎলকপদা মতম খরদি চঙখিগনি হায়রি।

অমরোমদা টি ইষ্টেট অদুদা সেফটি ওফিসর ওইনা লৈরিবা মীওইনা চেকশিনবা ৱাৎপদগী লাইবক থিবা থৌদোক অদু থোকখিবনি। মরম অদুনা মহাক্কী মথক্তা এক্সন লৌখৎকদবনি হায়রি।

**IN THE COURT OF THE SUB-DEPUTY COLLECTOR: IW: LAMSANG**

**Ref :- Mutation Case No. 206/SDC/IW-L/2022**

1. Angom Rajen Singh, S/o. Angom Ibochou Singh of Phayeng Mayai Leikai
2. Angom Pradinkumar Singh, S/o. -do- of -do- - Petitioner

-VS-

Late Angom Chandramani Singh, S/o. (L) Tolenkhomba Singh of Phayeng -Op/Party

**NOTICE**

21/07/2022

U/S 46(3) MLR & LR, Act 1960 অসিনা মরম ওইদুনা খঙহল্লি মদুদি মৃত পাট্টাদার অঙোম চন্দ্রামনি সিংহ পীতা মৃত তোলেনখোম্বা সিংহ সাং ফয়েংগী মীংদা লৈবা ঈ:ও: তহশিলগী খুল নং ৫৫-লম্লোঙ্গৈগী অনৌবা পাট্টা নং ৫ দাগ নং ২০৯ এরিয়া ২.৩৭০০১ চাওবা ফৌরেল লৌফমগী লম অসি মথক্তা পীরিবা দংকারি অসিনা মাগী/মখোয়গী মমিংদা পানবীনবা উক্ত কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থারক্লে। মরম অসিনা পাউচে অসিনা ফোঙবা নুমীৎতগী ৭নিগী মনুংদা লম অসিগা মরী লৈনবা কনাগুম্বনা আপতি তৌবীনিংলবদি তৌবীবা য়াগনি। মথক্তা পীরিবা মতম অসিগী মতুংদগীদি কনা অমত্তগী আপতি লৈত্রে লৌরগা কোর্টনা মখা তাবা থবক চত্থজরগনি।

**Sd/- Sub-Deputy Collector, IW-Lamsang**

HL-P/3492/22

**IN THE COURT OF THE SUB-DEPUTY COLLECTOR: IW: LAMSANG**

**Ref :- Mutation Case No. 204/SDC/IW-L/2022**

1. Angom Premkumar Singh, S/o. (L) Bokul Singh of Phayeng Chingkhunou - Petitioner

-VS-

Late Angom Bokul Singh, S/o. (L) Angou Singh of Phayeng Khunou

**NOTICE**

21/07/2022

U/S 46(3) MLR & LR, Act 1960 অসিনা মরম ওইদুনা খঙহল্লি মদুদি মৃত পাট্টাদার অঙোম বোকুল সিংহ পীতা মৃত অঙৌ সিংহ সাং ফয়েং খুনৌগী মীংদা লৈবা ঈ:ও: তহশিলগী খুল নং ৬০-চাকপা ফয়েংগী অনৌবা পাট্টা নং ৩৪৬ দাগ নং ১০০১/১৩৪৪ এরিয়া ০.৫৩০০০ চাওবা অঙনফৌ লৌফমগী লম অসি মথক্তা পীরিবা দংকারি অসিনা মাগী/মখোয়গী মমিংদা পানবীনবা উক্ত কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থারক্লে। মরম অসিনা পাউচে অসিনা ফোঙবা নুমীৎতগী ৭নিগী মনুংদা লম অসিগা মরী লৈনবা কনাগুম্বনা আপতি তৌবীনিংলবদি তৌবীবা য়াগনি। মথক্তা পীরিবা মতম অসিগী মতুংদগীদি কনা অমত্তগী আপতি লৈত্রে লৌরগা কোর্টনা মখা তাবা থবক চত্থজরগনি।

**Sd/- Sub-Deputy Collector, IW-Lamsang**

HL-P/3492/22

## CROSSWORD-3592



**ACROSS**

1 Heavenly (9)
6 Male swan (3)
8 Proposition assumed to be self-evident (5)
9 Titled lady (7)
10 Pertaining to the stomach (7)
11 Joyous (5)
12 Not moving (6)
14 French brandy (6)
18 Divide (5)
20 Assuage (7)
22 Maigret (anag) (7)
23 Lithe (5)
24 Marry (3)
25 Infinite (9)

**DOWN**

1 Alterations (7)
2 Dens (5)
3 Japanese warrior (7)
4 Bring about (6)
5 Doctor's stand-in (5)
6 V-shaped stripe (7)
7 Military fur hat (5)
13 Purported (7)
15 Pariah (7)
16 Affected modesty (7)
17 High regard (6)
18 Scolding woman (5)
19 Warble (5)
21 Pig (5)

**Solution 3591**



**SOLUTION ON NEXT ISSUE**

## HUEIYEN SUDOKU

**Hueiyen Sudoku-3993**

| | | | | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| | | | 6 | | 2 | 8 | | |
| | | 1 | | | 3 | 6 | 2 | |
| | 7 | | | 4 | | | | |
| | | | | | 5 | 2 | | |
| | 4 | | 8 | | 9 | | 6 | |
| | | 7 | 2 | | | | | |
| | | | | 9 | | | 8 | |
| | 1 | 6 | 5 | | | 4 | | |
| | | 4 | 1 | | 6 | | | |

**Solution-3992**

| | | | | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| 4 | 5 | 8 | 9 | 6 | 1 | 3 | 7 | 2 |
| 3 | 1 | 2 | 4 | 7 | 5 | 6 | 8 | 9 |
| 7 | 9 | 6 | 3 | 8 | 2 | 4 | 1 | 5 |
| 8 | 4 | 5 | 6 | 3 | 7 | 2 | 9 | 1 |
| 2 | 7 | 9 | 1 | 4 | 8 | 5 | 3 | 6 |
| 6 | 3 | 1 | 5 | 2 | 9 | 7 | 4 | 8 |
| 5 | 2 | 4 | 8 | 9 | 3 | 1 | 6 | 7 |
| 9 | 6 | 7 | 2 | 1 | 4 | 8 | 5 | 3 |
| 1 | 8 | 3 | 7 | 5 | 6 | 9 | 2 | 4 |

Fill in the empty fields with the numbers from 1 through 9
Every row must contain the numbers from 1 through 9
Every column must contain the numbers from 1 through 9
Every 3x3 square must contain the numbers

## EMPLOYMENT NEWS

### RBI RECRUITMENT 2022 FOR MEDICAL CONSULTANT

The Reserve Bank of India Medical Consultant Recruitment 2022: Advertisement for the post of Medical Consultant in The Reserve Bank of India. Candidates are advised to read the details, and eligibility criteria mentioned below for this vacancy. Candidates must check their eligibility i.e. educational qualification, age limit, experience and etc. The eligible candidates can submit their application directly before 02 August 2022. Candidates can check the latest The Reserve Bank of India Recruitment 2022 Medical Consultant Vacancy 2022 details and apply online at the www.rbi.org.in/ recruitment 2022 page.
The Reserve Bank of India Recruitment Notification & Recruitment application form is available @ www.rbi.org.in/. The Reserve Bank of India selection will be done on the basis of test/interview and shortlisted candidates will be appointed at Maharashtra. More details of www.rbi.org.in/ recruitment, new vacancy, upcoming notices, syllabus, answer key, merit list, selection list, admit card, result, upcoming notifications and etc. will be uploaded on official website.
Vacancy Circular No:
Reserve Bank of India (RBI)
invites applications for recruitment of Medical Consultant
Medical Consultant
Job Location:
-, Imphal, - Manipur
Last Date: 02 August 2022
Employment Type: Full Time
Number of Vacancy: 1 Post Posts
RBI Recruitment 2022 Medical Consultant Job Vacancies Apply Online Application
RBI Recruitment 2022 Medical Consultant Job Vacancies Apply Online
Company The Reserve Bank of India
Job Role Medical Consultant
Education Requirement
Total Vacancy 1 Post
Job Locations Imphal
Experience 2 - 5 years
Posted on 18 Jul, 2022
Last Date To Apply 02-08-2022
Educational Qualification: MBBS
Skills / Eligibility
Pay Scale: INR Not Disclosed
Age Limit: As per company rule.
Selection Procedure
Candidates will be selected based on a written test/personal interview/medical test/walkin interview. Once a candidate is selected they will be placed as Medical Consultant in RBI.
How to Apply:
Candidates who wish to apply for RBI Recruitment 2022 must complete the application process before 02/08/2022. Here we have attached the complete procedure to apply for the RBI Recruitment 2022 along with the application link.
Step 1: Go to the RBI official website rbi.org.in
Step 2: In the official site, look out for RBI Recruitment 2022 notification
Step 3: Select the respective post and make sure to read all the details about the Medical Consultant, qualifications, job location, and others
Step 4: Check the mode of application and apply for the RBI Recruitment 2022
Important Dates:
Published on: 19 July 2022
Last date for application is: 02 August 2022
For more details, please refer to official notification at Download Official Notification

### TOOL ROOM AND TRAINING CENTRE GUWAHATI RECRUITMENT 2022 FOR 18 APPRENTICESHIP TRAINING

Tool Room and Training Centre Guwahati (MSME) Apprenticeship Training Recruitment 2022: Advertisement for the post of Apprenticeship Training in Tool Room and Training Centre Guwahati (MSME). Candidates are advised to read the details, and eligibility criteria mentioned below for this vacancy. Candidates must check their eligibility i.e. educational qualification, age limit, experience and etc. The eligible candidates can submit their application directly before 30 July 2022. Candidates can check the latest Tool Room and Training Centre Guwahati (MSME) Recruitment 2022 Apprenticeship Training Vacancy 2022 details and apply online at the www.trtcguwahati.org/ recruitment 2022 page.
MSME Tool Room Guwahati Recruitment Notification & Recruitment application form is available @ www.trtcguwahati.org/. MSME Tool Room Guwahati selection will be done on the basis of test/interview and shortlisted candidates will be appointed at Kamrup. More details of www.trtcguwahati.org/ recruitment, new vacancy, upcoming notices, syllabus, answer key, merit list, selection list, admit card, result, upcoming notifications and etc. will be uploaded on official website.
Vacancy Circular No:
Tool Room and Training Centre Guwahati
invites applications for recruitment of Apprenticeship Training
Apprenticeship Training
Job Location:
MSME Tool Room
TOOL ROOM & TRAINING CENTRE(MINISTRY OF MICRO SMALL & MEDIUM ENTERPRISES)Amingaon Industrial Area Near E.P.I.P. Complex North Road Amingaon, Guwahati, 780031 Kamrup
Last Date: 30 July 2022
Employment Type: Full Time
Number of Vacancy: 18 Posts
Tool Room and Training Centre Guwahati Recruitment 2022 Apprenticeship Training Job Vacancies Apply Online Application
Tool Room and Training Centre Guwahati Recruitment 2022 Apprenticeship Training Job Vacancies Apply Online Application Recruitment 2022
Details
Company MSME Tool Room Guwahati
Job Role Apprenticeship Training
Education Requirement B.Tech, B.E
Total Vacancy 18 Posts
Job Locations Guwahati
Experience Fresher
Salary Not Disclosed
Posted on 18 Jul, 2022
Walkin Date 30 Jul, 2022
Educational Qualification: B.E./B. Tech. in Civil Engineering, Mechanical Engineering, Computer Science & Engineering, Information Technology, Electronics Engineering and Diploma in Mechanical Engineering
Skills / Eligibility
Pay Scale: INR Not Disclosed
Age Limit: As per company rule.
Selection Procedure
Candidates will be selected based on written test/personal interview/medical test/walkin interview. Once a candidate is selected they will be placed as Apprenticeship Training in Tool Room and Training Centre Guwahati.
How to Apply:
Tool Room and Training Centre Guwahati conducts walkin interview on 30/07/2022 for Apprenticeship Training vacancies. Candidates can head to the official website and download the official notification. Follow the walkin procedure as stated in the official notification.
Important Dates:
Published on: 18 July 2022
Last date for application is: 30 July 2022
For more details, please refer to official notification at Download Official Notification



ৱারী মমিং : য়াইতম্বা

ইবা অমসুং য়েকপা : সমসন সলাম

